# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 13-03-2026)

**এসেমব্লি (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ১০ খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

দিমান্দশিং অদুদি-ত্রান্সপোর্ট, লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস দিবলপমেন্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট, কম্ম্যুনিতি এন্দ রুরেল দিবলপমেন্ট, প্লান্নিং, রিহেবিলিটেসন, ষ্টেট একাডমী ওফ ত্রেন্নিং মাইনোরিতিজ এন্দ আদর বেকৱার্ড ক্লাসেস এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিনি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক মখা তানা চত্থরি। অকনবা পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা আইননা য়াদবা লালহৌলুপশিংগী মাওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থৌবাল ৱাংমাতাবা এরিয়াদগী কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী মীওই অনি ফাগৎলে। মখোয়দগী নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু ১৪০ অমসুং মোবাইল ফোন অনি ফংলে।

অমরোমদা, উখ্রুল জিলাগী থৱাই খুল মনাক্তা লৈবা উমং অমদগী শিনা ফংখিবা মীওই অদুগী মতাংদা পুলিসনা এফ.আই.আর. কেস অহুম লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে। থৌদোক থোকফমদা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং চংশিনদুনা মফম অদুদা ওইরিবা ফিভম অদু কুপা য়েংশিল্লি। পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে। মফম অদুদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হল্লকবা

হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা পুলিসকী মায়কৈদগী আপিল তৌরি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং তমেংলোং জিলাদনা খ্বাইদগী হেন্না নোং চুখি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী পাউনা হায়-তমেংলোং জিলাদা ঙরাং মিলিমিটর ৩৫.৮ য়ৌনা নোং চুখি। সেনাপতি জিলাদনা মিলিমিটর ১২, কাংপোকপী জিলাদনা মিলিমিটর ১১, উখ্রুলদা মিলিমিটর ১০, চুরাচান্দপুরদা মিলিমিটর ৬ কী মথক্তা নোং চুখি।

ইম্ফাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ঙরাং পারপনা নোং চুখি। অদুমওইনমক, চুরাচান্দপুর অমসুং ককচিং য়াওনা রাজ্য অসিগী মফম খরদদি লেন য়াওনা নোং কন্না চুখি। ঙসিসু রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা নোং চুগনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি অসামদা লাক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি রাজ্য অদুগী কোক্রাঝারদা থুংলবা মতুংদা রেল দভা শেমফম, থোং তরুক অমদি বোড়ো টেরিটোরিয়েল লমদমদা চেনগদবা রেলগাড়ি অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাং কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

তুংদা, গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কদবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি। রাজ্য অদুগী চা বগানশিংদা মথৌ তৌরিবা শিন্মীশিংদা লম পট্টাশিংসু প্রধান মন্ত্রিনা খুৎশিন্নগনি। মেগাৱার্ট ১৫০ ওইগদবা কোপিলি হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্টসু শ্রী মোদিনা মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৬৪০ গী শেনফম, পি.এম. কিষান নিধিগী ২২ শুবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা বিনিফিসরিশিংদা দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়েন্থোক্কনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মহাত্মা গান্ধিগী দন্দিগী খোঙচৎ ইহৌনা ভারত নীংতম অন্দলোনবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরকখি।

ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ হুমনি চখবা গ্লোবেল লিদরসিপ ফোরম নেক্স সমিট-২০২৬ তা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-কুমজা ১৯৩০ গী মার্চ ১২ দা চৎখিবা মহাত্মা গান্ধিগী দন্দিগী খোঙচৎ অদু ভারত নীংতম ইহৌগী ইতিহাসতা য়ামা মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। মহাকা হায়-হৌজিকসু ঐখোয়না চাউখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবগী লন্বীদা য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা অশাংবা খোঙচৎ অমা চৎপা হৌরে।

**পেট্রোল্লিয়মঃ** নোংচুপ এসিয়া লমদমদা হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা ফিভম অসিনা মালেমগী ওইনা ইনর্জি সপ্লাইগী লমদা অকায়বা কয়া থোকহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি-হরদ্বিপ সিংহ পুরিনা লোক সভাদা ৱারোল অমা ফোংদোকখ্রে।

শ্রী পুরিনা হায়-ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা লৈবাক অসিগী শুংদোক্ত্রিবা থাউগী ফিভমদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা থোইনা অকায়বা পীদ্রি। মসিগী মথক্তা চাক থোংনবা গ্যাস পীবগী লমদসু খুদোংচাদবা অমত্তা থোকহনবগী ৱাফম লৈত্রি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইরবা ইমুংশিং য়াওনা পুন্না ইমুং কোতি ৩৩ রোমদা চাক থোংনবা গ্যাস-এল.পি.জি. অয়েৎ অপন য়াওদনা ফংহন্নবা সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা কন্না হোৎনরি। ইতিহাসতা অহানবা ওইনা ষ্ট্রেট ওফ হোরমস থিংজিনখিবা অসিনা, ভারতনা নোংচুপ এসিয়াগী উংখৎনবা অসিদা হকথেংননা য়াওরুদ্রবসু মদুগী চৈথেং ফংলি।

**দ্রগঃ** জম্মুগী অন্টরজাতিগী ঙমখৈ পরিংগা নকনা লৈবা মফম অমদা পাকিস্তানলোমদগী দ্রোন শিজিন্নদুনা থাদরকপা, লুপা কোতি ১২ রোমগী মমল

ওইগদবা হেরোইন কিলোগ্রাম অনি, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-পোৎলমশিং অদু ঙমখৈ ময়াদা লৈবা বহাদুরপুরা ভিলেজ মনাক্তা লৈবা লৌবুক অমদগী জম্মু পুলিস অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ফংখিবনি। পোৎলমশিং অদু দ্রোন শিজিন্নদুনা থাদরক্কদৌরে হায়বগী অরোনবা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীকুপ নাহুমশিংনা শেন্নদুনা ফাগৎপা ঙমখিবনি। খোঙথাং অসি সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন কায়না দ্রগ লল্লোনবশিংগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংদা চাউনা মায় পাকপা অমনি হায়না জম্মু পুলিসনা ফোংদোকখ্রে।

**ইরানঃ** ইরানগী হকপু শক খঙবীরবা, মাঙ তাকখিবশিংগী ক্ষেতিপুরোন পীবা অমসুং তুংদা লান্দারকপগী থৌওংশিং অমুক হন্না তৌররোই হায়রবদি ইরাননা আমেরিকা অমসুং ইজরেলগা শোকরিবা লাল অসি লোয়শিনবা য়াই হায়না ইরাননা কন্দিসন অহুম থল্লকখ্রে।

ইরানগী রাস্ত্রপতি-মশুদ পেজেসকিয়াননা হায়-তেহরাননা শান্তিদা থাজবা থমদুনা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অহুম অসিদা ৱাশিংটন অমসুং তেল অভিবনা য়ারবদি লান অসি লোয়শিনবা য়াই। মহাকা হায়-লান অসি আমেরিকা অমসুং ইজরেলনা হৌরকখিবনি। মরম অদুনা মালেমগী ওইবা থাক্তা ইরানবু মখা তানা অশোয় অঙাম থোকহল্লরোই হায়না অচেৎপা থাজবা পীরবদি ৱাথোক অসি লোয়শিনবা য়াগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ফাজিনখিবা ২১ থাদোরকখ্রে, অশিবা হকচাংশিং ফংবদগী নৌনা টেন্সন ৱাংখৎহল্লে হায়বা পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। তাংখুল নাগালোংনা ফাজিনখিবা ২১ তেক্ত কায়দনা রেস্ক্যু তৌখিবগীদমক থাগৎপা ফোংদোরক্লি। কুকিগী নার্কো টেরোরিজমবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা

পাউ অমসু পাউচে অসিদা বোক্স আইটেম তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনা লৈবাক্তুনা হাইজেক্ট  তৌরগা ফাজিল্লুবা ২১ থাদোরকখ্রে। খুঞ্জা অনি শিনা ফংলে, এক্স গ্রেসিয়া লাউথোকখ্রে। খুঞ্জা অনি হাৎলম্বগী কেস এন.আই.এদা শিন্নরগনি-চীফ মিনিস্তর হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ১২ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৮, ২০৮ হেনবগী শেনফম য়েৎনবা লৈতনা হাউসনা পাস তৌখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা পুন্না দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা প্রি-ফেব্রিকেটেদ সেলটর হোম লিশিং অহুম শাখ্রে-সি.এম. হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-কন্না কাপখ্রে, লম্বীশিং থিংজিন্নখ্রে, ফিভম শেমদুনা লৈনখ্রে হায়বা পাড অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা-সেন্সসকী মতম থিন্থহন্নবা ষ্টেট এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌদুনা সেন্টরদা থাগদবনি হায়না সি.এস.ওশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-এগ্রীকলচর লোইশঙদা শেঞ্জা থুমজা চুনা চত্থরে অমসুং স্কাম থোক্লে হায়বগী খুদম লৈরে হায়না সি.এল.পি. লুচিংবা কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা বিধান সভাদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। কেরলাগুমা মনিপুরদসু ৱাটর বোট অমসুং ৱাটর মেত্রো শেমগৎহন্নিংই হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-সনা কৈথেলদা নোংমৈ কাপখ্রে, ফাজিনখিবশিং থাদোরকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীওই অনি শিনা ফংলে, কিম অমসুং কোহরনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-ফিসরি ৱেলফিয়ার ফন্দ য়ামা পীকা ফংবা রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপুরসু অমনি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুর বিধান সভানা ঙরাং দিপার্টমেন্ট ১২ গী পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৮ হেনবগী শেনফম পাস তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-ইরানগী প্রসিদেন্ট-মশুদ প্রেজেসকিয়াননা লান লোয়শিন্নবা কন্দিসন অহুম থল্লক্লি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি জিলাদা ঙরাং নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুবদগী অমাং অতা থোক্লে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।